মণিপুর গভর্নমেন্ট

ইকাইখুম্নজরিবা মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী লাঃ গনেসন না

ফেব্রুৱারী ২, ২০২৩ দা

মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লীদা
পীবা

ৱারোল

মণিপুরগী গভর্নর

# শ্রী লাঃ গনেসন না

মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লীদা
পীবা

## ৱারোল

*ইকাইখুম্নজরিবা স্পীকর অমদি ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং,*

১. ঐহাক্না ১২শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী অহুমশুবা সেসন অসিদা খ্বাই পূম্নমকপু তরাম্না ওকচরি।

২. অনৌবা চহী অসিদা ঐখোয়না চঙশিল্লকপগা লোয়ননা, ঐহাক্না মেম্বর খুদিংমকপু মহৈ য়ানবা অমদি চাওখৎপা চহী অমা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীজরি। ভারতনা জি২০ প্রসিদেন্সিগী থৌদাং পায়বগা লোয়ননা ইং ২০২৩ অসি য়াম্না মরু ওইবা চহী অমা ওইরগনি। কংলা নোংপোক থোং শঙ্গাখিবা অমদি মীয়ামদা শীন্নখিবা অসিনা য়াম্না য়াইফবা খোঙথাং অমনা চহী অসি হৌদোকখি।

*লো এণ্ড ওর্দর অমসুং জষ্টিস দেলিভরি*

৩. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, হৌখিবা চহী খরা অসিদা, মণিপুরদা লো এণ্ড ওর্দরগী ফিভম অমদি সেক্যুরিটিগী ফিভম অসি শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলক্লি হায়না পাউদমজবদা ঐহাক্না নুংঙাইবা পোকচৈ।

৪. ইং ২০২২দা, ইন্সরজেন্ট ৭৫ সরেন্দর তৌখি, এক্সট্রিমিষ্ট ৩০৯ ফাখি অমসুং মশীং য়াম্লবা খূৎশূ-খূৎলাই, এম্ম্যুনিসন্নচিংবশিং ফাগৎখি।

৫. রাজ্য অসিদা শান্তি হৃঞ্জিলহন্নবগী থৌওংদা অহেনবা মপাঙ্গল হাপ্লদুনা, ভারত সরকার অমদি রাজ্য সরকার অসিনা চহী তরা হেন্না এক্তিভ ওইনা লৈরম্লবা জেলিয়ারোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকা ওপরেসন লেপ্পগী য়াম্না ৰারোল পুরকখি।

৬. সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকপগা ইরোইননা, রাজ্য অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৬কী পুলিস ষ্টেসন ১৫না কোনবা মফমশিংবু ইং ২০২২গী এপ্রিল ১দগী দিষ্টর্ব এরিয়া নোটিফিকেসনগী মনুংদগী লৌথোকখি। মফমশিং অসিদগী আর্মদ ফোর্সেস স্পিসিএল পাৱর্স এক্ট অসি রিভোক তৌখি।

৭. স্কীম ফোর স্পীসিএল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটসকী মখাদা লুপা কোটি ৮০.৪০ চঙগদবা, ইন্দো-ম্যানমার ইন্টরনেস্নেল বোর্দরদা পুলিস আউটপোষ্ট ৩৪ অমসুং নেস্নেল হাইৱে - ৩৭ (ইম্ফাল জিরিবাম) পরীংদা পুলিস আউটপোষ্ট ৬ শাবগী অয়াবা ভারত সরকারনা পীরকখ্রে। মসিগী

মনুংদা, বোর্দর পুলিস আউটপোষ্ট ১২ অমসুং নেস্নেল হাইৱে - ৩৭কী পরীংদা পুলিস আউটপোষ্ট ৩ শাবগী থবক খূমাং চাউশিল্লি।

৮. ইকাইখুম্নজরিবা মেন্বরশিং, আইন্না য়াদবা দ্রগশিংনা পীবা অৱা-চৈথেংশিং মরু ফংনা মুত্থৎনবা অমদি ঐখোয়গী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু কন্ননবা, ঐহাক্কী লৈঙাক অসি 'ৱার ওন দ্রগস ২.০' গী খোঙথাংসিগী মখাদা দ্রগকী মায়োক্তা লান্থেংনরি। ইং ২০২২গী মনুংদা, রাজ্য অসিগী মফমশিংদা আইন কায়না লম একর ৩,৫১৭তা থারম্বা পোপ্পিশিং য়ান্থৎখি অমসুং কোন্ত্রাবেণ্ড দ্রগ কিলো ২,৫৬৭ মাঙহনখি। হেরোয়িন, ব্রাউন সুগর, ওপিয়ম, এমফেটামিন, গঞ্জা, মেথামফিটামিন, স্পাসমো প্রোক্সিভোন নচিংবা দ্রগ কেজি ২,৩৮৪ হেনবা অমসুং কফ সিরপ বোত্তল ৪০,০০০গী ময়াদা ফাগৎখি। এনঃদিঃএণ্ডপিঃএস এক্টকী মখাদা কেস ৫০৪ রেজিস্তর তৌখি অমসুং মীওই ৩২ কনভিক্সন পীখি। মীওই ৮৪না পিঃআইঃটি এনঃদিঃপিঃএস এক্টকী মখাদা ফাখি।

৯. ইং ২০২২গী মনুংদা, আইনগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা এফঃআইঃআর কেস ৩,৬২৯ রেজিষ্টর তৌখি। চার্জ শিট ৫০০ পান্দুনা অমদি কেস ১,৩৮৩না ফাইনেল রিপোর্ট পীদুনা ক্রিমিনেল কেস ১,৮৮৩ দিস্পোজ তৌখি। ইনভেষ্টিগেসন তৌবগী থবক্তা নুপী অমদি অঙাংশিংদা চথবা ক্রাইমশিংগা মরী লৈনবা সেন্সিটিভ কেসশিংদনা হেন্না মরুওইনা লৌখি। নুপীদা চথবা ক্রাইমগী কেস ৯১ অমদি পোকসো এক্টকী মখাদনা কেস ৫২ রেজিষ্টর তৌখি।

১০. ঐহাক্কী গভর্নমেন্ট অসিনা ষ্টেট অসিগী পুলিস ফোর্স অসি মোর্দনাইজ তৌনবা থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি।'এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস এণ্ড য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ ফোর মোর্দনাইজেসন ওফ পুলিস' স্কীমগী মখাদা, তোঙান তোঙানবা গাড়ীশিং, কম্প্যুটর, টেলিকোম অমসুং ফোরেন্সিক্কী ইক্কীপমেন্টশিং লৈশিল্লে।

১১. নির্ভায়া ফণ্ডগী মখাদসু, ফোরেন্সিক টিম অমসুং এন্টি হ্যুমেন ত্রাফিকিং য়ুনিটশিংনা শীজিন্ননবা গাড়ীশিং য়াওনা ফোরেন্সিক ইক্কীপমেন্টশিং লৈশিল্লে।

১২. ইং ২০২২দা, কক্‌চীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদকার্টর্স অমদি সঙাইথেল পুলিস আউটপোষ্টকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মপূং ফানা শাখ্রে।

১৩. সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট ভিক্তীম কম্পেন্সেসন স্কীমশিংগী মখাদা এক্সট্রিমিষ্টকী এক্সন্না শোকহল্লবা ভিক্তিমশিংদা লুপা লাখ ২১২ গী রিলিফ কম্পেন্সেসন ফংহনখ্রে।

১৪. সাইবর ফোরেন্সিক ট্রেনিং লেবোরেটরি শেমগৎখ্রে অমদি পুলিস পার্সনেল ১০০ ট্রেনিং পীখ্রে।

১৫. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ১০শুবা অমদি ১১শুবা আইঃআরঃবি গী রাইফলমেন পোষ্ট ১,৮৩০ থবক লৌখ্রে। তোঙান তোঙানবা রেঙ্ক য়াওবা পোষ্ট ১৩৮৫গী থবক লৌনবা শেম শারি।

১৬. মপূং ফানা জুদিসিঅরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈহন্নবগীদমক্তা, কক্চীং, নোনে অমদি সেনাপটিদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্স শাবগী থবক হৌখ্রে। বিষ্ণুপুর কোর্ট কমপ্লেক্সকী এনেক্স কোর্ট বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে।

১৭. তমেংলোংদা দিষ্ট্রিক্ট অমদি সেসন্স কোর্ট লিংখৎলে। চিফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট, তমেংলোংগী কোর্ট থবক তৌবা হৌখ্রে। জজশিংগী লৈননবা রেসিদেন্সিএল ক্বার্টর য়াওবা তমেংলোংগী অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং, ইং ২০২৩ ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লে।

১৮. মীচম মীয়াম্না অরায়বা মওংদা জষ্টিস ফংহন্নবা, হাই কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদা ই-সেৱা কেন্দ্রশিং শেমগৎলে।

১৯. ইং ২০২২গী মনুংদা হাই কোর্ট অমদি সবোর্দিনেট কোর্টশিংনা কেস ৭,৪০৫ ৱারোইশিন পীখ্রে।

*হেল্থকেয়র*

২০. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, চিফ মিনিষ্টর্স হেল্থ ফোর ওল প্রোগ্রামগী মখাদা, খুঙ্গং ৮৭০ হেনবগী মীওই লাখ অহুম হেনবদা লৌনগন্দবা লাইনা তরা, য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙ চঙদুনা স্ক্রিনিং তৌখ্রে।

২১. সিঃএমঃঐচঃটি গী মখাদা এনরোল তৌরবা ইমুং মনুং অমমম্না চহী অমদা ফংলম্না ইন্সুরেন্সকী শেনফম অসি লুপা লাখ ২দগী লাখ ৫দা হেনগৎখ্রে। চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং স্কীমগী মখাদা ইমুং লাখ ২.০৪ হেনবগী বেনিফিসরি লাখ ৬.৭৩ অসি এনরোল তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা অনাবা লাখ ১.৩০ হেনবনা লায়েংনবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে অমদি লায়েংশেন ওইনা স্কীম অসিগী মখাদা লুপা কোটি ১৪৮.৯ কাইথখ্রে।

২২. এঃবি-পিঃএমঃজেঃএঃৱাই গী মখাদা, ইমুং লাখ ১.৫৩ হেনবগী বেনিফিসরি লাখ ৪.৭৬ এনরোল তৌখ্রে। বেনিফিসরি ৮৫,৮৬৬ দা স্কীম অসিগী মখাদা লুপা কোটি ১১১.৮০ চঙনা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

২৩. এমঃবিঃবিঃএস সিট ১০০ লৈদুনা চুরাচান্দপুরগী ষ্টেট গভর্নমেন্ট মেদিকেল কলেজগী অহানবা সেসন হৌখ্রে। জেনিমসকী এমঃবিঃবিঃএস সিট অসি ১৫০দা হেনগৎখ্রে।

২৪. স্পিগসিএলিষ্টকী অৱাৎপা অসি মেনখৎনবা, মপাঙ্গল লৈরবা টেলি-আইঃসিঃইউ আইঃটি নেটৱার্ক অসি 'টেনবেদ আইঃসিঃইউঃ প্রোজেক্ট' কী মখাদা প্রাইভেট প্লেয়রশিংগা পার্টনরসিপ তৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংগী সিঃঐচঃসিশিংদা হাংদোকখ্রে। মসিগী আইঃ সিঃইউ বেদশিংনা মতমগা চূনরবা টেক্নোলোজিশিং হাপ্পুনা আইঃসিঃইউ য়ুনিট পূম্নমকপু জেনিমসতা লৈবা সেন্ত্রেল হব অসিগা শম্নহল্লি। হৌখিবা চহী অমসিদা, মসিগী আইঃসিঃইউ শিং অসিনা অরুবা ফিভমদা নারবা অনাবা ৭৭৭ লায়েংখি।

২৫. মোদ্যুলর ওঃটি ফেসিলিটি য়াওবা রিজনেল পেদিয়াট্রিক কার্দিওথোরাসিক য়ুনিট অমা রিমসতা হাংদোকখ্রে।

২৬. ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা হান্না লৈরিবা মশীংগী মথক্তা এদভান্স লাইফ সেভিং এমব্যুলেন্স ১১ য়াওনা অনৌবা এমব্যুলেন্স ৫৮ হাপচিল্লে।

২৭. হেল্থক্যের পার্সনেলশিং ৱাৎলিবা অসি মেনশিন্নবা, এমঃপিঃএসঃসি গী খুত্থাংদা মেদিকেল ওফিসার ৩০০ লৌনবগী থবক পায়খৎপা হৌরে। অতোপ্পা মেদিকেল ওফিসার ২০০ অমসুং ষ্টাফ নর্স ৩০০ কোন্ত্রেক্তা থবক পুহল্লি।

*ফাইনান্স অমসুং প্লান্নিং*

২৮. ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা মশাগী টেক্স রেভিন্যু হেনগৎহন্নবগীদমক্তা রিসোর্স মোবিলাইজেসনগী মায়কৈদা তোঙান তোঙানবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলি। রাজ্য মশাগী টেক্স রেভিন্যু অসি শেনবা চহী ২০১৭-১৮ লুপা কোটি ৫৮৬ লৈরম্বা অসিদগী শেনবা চহী ২০২১-২২দা লুপা কোটি ১,৬৪৯দা হেনগৎলে। মতম অসিগী মনুংদা চহীদা হেনগৎলিবা এভরেজ অসি চাদা ২৩নি, মরুওইনা ষ্টেট জিঃএসঃটি খোমগৎপদগী হেনগৎলকপননি।

২৯. ঐহাক্কী লৈঙাক অসি কেপিটেল আউটলেগী এক্সপেন্দিচর অসি রেভিন্যু এক্সপেন্দিচরগা য়েংনরগা হেনগৎনবা হোৎনরি। শেনবা চহী ২০২১-২২গী মনুংদা, কেপিটেল আউটলেদা পীবা এক্সপেন্দিচর অসি রেভিনিউ এক্সপেন্দিচরগী চাদা ২গা য়েংনরুবদা চাদা ৩৩দা হেনগৎখি। ফিজিকেল অমদি সোসিএল ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌবনা য়াইফ থৌরাংশিং ফগৎহনবতা নত্তনা মল্টিপ্লায়র ইফেক্টকী খুত্থাংদা হেন্না-ৱাংনা চাওখৎপগী লম্বী শেম্মী।

স্পিপসিএল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস অন্দর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্টকী মখাদা ইং ২০২২-২৩গী কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্টকী এক্সপেন্দিচর এল্লোকেসন অসি লুপা কোটি ৫৭৩দা হেনগৎপগা লোয়ননা, কেপিটেল আউটলেদা লৈরিবা এক্সপেন্দিচর হেনগৎপগী মওং অসি চত্থখিগনি হায়না পারি।

৩০. হন্দক্তা হাংদোকখিবা তদুবি সব-ত্রেজরি অসি ই-পেমেন্ট তৌবা য়াহল্লে, মসিনা ই-কুবের প্লেটফোর্মগী খুত্থাংদা ত্রেজরি ১৯মক ই-পেমেন্ট য়াহল্লে। ষ্টেট বজেট অসি পাক শন্না একসেস তৌবা য়ানবা, পব্লিক্লা একসেস তৌবা য়ানবা বজেট এপ্লিকেসন অমসু হাংদোক্লে।

৩১. ইং ২০২০-২১দগী হৌদুনা, ঐহাক্কী সরকার অসিনা সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী ফণ্ডশিং অসি পিঃএফঃএমঃএসঃ কী মখাদা সিঙ্গল নোদেল এজেন্সি মোদেলগী মখাদা থাদোক্নুনা ষ্ট্রিমলাইন তৌনবা থবক পায়খৎতুনা লাক্লে। রাজ্য সরকার অসিনা মসিগী প্লেটফোর্ম অসি মপূং ফানা শীজিন্নবগা লোয়ননা নীংথিজনা মোনিটর তৌরি অমসুং ত্রান্সপরেন্সি লৈহল্লি।

৩২. নোন-লাপসেবল সেন্ত্রেল পুল ওফ রিসোর্সকী মখাদা ফংলকপা লুপা কোটি ১,৭৯২গী মতেংগা লোয়ননা, প্রোজেক্ট ১৭৫ পায়খৎখ্রে অমসুং ১৫৬না লোইশিনখ্রে।

৩৩. নোর্ঠ ইষ্ট স্পেসিএল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট স্কীমশিংগী মখাদা, ৱাটর সপ্লাই, হেল্থ অমসুং লম্বীগী সেক্তরশিংদা লুপা কোটি ৩৯৪গী শেনফম ওইগদবা প্রোজেক্ট ১৮ সেঙ্কসন তৌখ্রে। চুরাচান্দপুদা টুরিজম প্রমোট তৌনবা, ৱাটর সপ্লাই দিষ্ট্রিব্যুসন নেটৱার্ক ফগৎনবা অমদি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি হেন্না চাওথোক্লা শেমগৎনবা মথংশিংনা লুপা কোটি ২০ অমদি লুপা কোটি ৩০ চঙনা পায়খৎখিবা থবকশিং লোইশিনখ্রে।

৩৪. তমেংলোং অমদি নোনেদা হিল এরিয়া দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ১০ মপূং ফানা পায়খৎতুনা লোইশিনখ্রে।

৩৫. ২০২২-২৩গী মনুংদা, লুপা কোটি ৩২.৪৬কী শেনফম ওইগদবা এনঃইঃসিঃ প্রোজেক্টশিং লোইশিনখ্রে। মসিগী মনুংদা, প্রমোসন ওফ হোর্টিকলচর ফার্মিং সিষ্টেম ইন শিফটিং কলটিভেসন এরিয়াজ, প্রমোসন ওফ স্মোল হোল্ডর ভেল্যু চেন সিষ্টেম ফোর ওর্গানিক হোটিকলচর ক্রোপস, দিভেলপমেন্ট ওফ দনকান পার্ক এট সোমসাই, গেপ ফণ্ডিং ফোর ৱাটরসেদ এণ্ড স্প্রিংসেদ, ইন্টর-ষ্টেট ট্রক টর্মিনিস এট সেকমাই, ৱাটর সপ্লাই এট ৱাৃমরৈ অমসুং ওগমেন্টেসন ওফ টোপ দুসরা ৱাটর সপ্লাই য়াওরি।

৩৬. পোপি থাবশিং অমদি ঝুম কলটিভেসন তৌবা ত্রাইবেলশিংগী অতোপ্পা ফার্মিং সিষ্টেম অমা পীবা অমসুং ৰাটর এঃটিঃএমঃ খিনবগী এনঃইঃসি গী প্রোজেক্ট অনী অসি ফজনা চথরি। কিয়ামগৈদা মোর্দন এগ্রো মার্কেট কমপ্লেক্স, শিল্লোংগী রাজবারিদা হেরিটেজ কমপ্লেক্স অমদি লুৰানগ্রাংদা মিনি আউটদোর ষ্টেদিয়ম শাগৎপা য়াওনা এনঃইঃসিঃ না লুপা কোটি ৩৭.৯০গী শেনফম ওইগদবা অনৌবা প্রোজেক্ট ৬ অমসু এপ্রুভেল পীরকখ্রে।

৩৭. এনঃইঃআরঃএসঃদিঃ গী মখাদা লুপা কোটি ৪১.৬৬ চঙগদবা, সেনাপতিগী তদুবিদগী চৰাইনামৈ খুনৌ অমসুং মোইরাংদুং শম্নবা লম্বী শেমজিন্নবগীদমক্তা এনঃইঃসিঃ না ইন-প্রিন্সিপালদা প্রোজেক্ট অমা এপ্রুভ তৌখ্রে।

৩৮. 'স্কীম ফোর স্পিসিএল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট ফিস্কেল ইয়ার ২০২২-২৩'গী মখাদা লুপা কোটি ৫৭৩গী শেনফম ওইবা প্রোজেক্ট ২৬ এপ্রুভ তৌরকখ্রে। মসিগী মনুংদা, দিষ্ট্রিক্ট ৬তা দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ স্কিল্লিং, ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ এণ্ড এমপ্লোইমেন্ট সেন্তরশিং অমদি ইম্ফাল ইষ্টতা মণিপুর একজিবিসন সেন্তরগী উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

৩৯. ইকাইখুম্নজরিবা মেন্বরশিং, মণিপুর ষ্টার্ট-অপ ২.০গী কোর্পস ফণ্ড ওইনা লুপা কোটি ১০০ খাক্কুনা থম্লে। মণিপুর ষ্টার্ট-অপ স্কীম ২.০ পোলিসি ২০২২ হৌদোকখ্রে। মণিপুর ষ্টার্ট-অপ স্কীমগী মখাদা, ওন্ত্রেপ্রেনোর অমদি ষ্টার্টঅপ ৫,৭৯৬তা লুপা কোটি ৫৫.৭৭কী সবসিদিগা লোয়ননা মতেং পীখ্রে।

৪০. ষ্টার্ট-অপশিংগী ফণ্ডিংগী লম্বীশিং হেনগৎহন্নবগীদমক্তা, নেদফিগা পার্টনরসিপ তৌদুনা ভেঞ্চর ফণ্ড হৌদোক্লে। এমঃএসঃইশিং অমদি ষ্টার্টঅপশিংদা পীরিবা লোনশিং অদুগী গেরেন্টি কোভরেজ হেনগৎহন্নবগীদমক্তা, 'মণিপুর ক্রেদিট গেরেন্টি স্কীম' অসি ক্রেদিট গেরেন্টি ফণ্ড ত্রষ্ট ফোর মাইক্রো এণ্ড স্মোল এন্টরপ্রাইজেসগা খূৎশম্নদুনা পায়খৎলে। ফণ্ড অসিনা এমঃ এসঃই অমদি ষ্টার্টঅপ ১৪,০০০দা মতেং পীবা ঙম্লগনি।

৪১. 'ৰান ফেমিলি এণ্ড ৰান লাইভলিহুদ' হায়রিবা ৰাখল্লোন অসিবু শৌগৎনবগী পান্দমদা, চিফ মিনিষ্টর্স ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ সপ্পোর্ট স্কীম অসিনা স্মোল এন্টরপ্রাইজশিং মতেং পাংনবা বেনিফিসরি অমদা লুপা লাখ ১০ ফাওবা ইনভেষ্ট তৌদুনা চাদা ৩০গী সবসিদি ফংহনগনি।

*ট্রাইবেল এফিয়ার্স, মাইনোরিটি অমসুং এসঃসি এণ্ড ওঃবিঃসি ৱেলফিয়ার*

৪২. লাইরবা ট্রাইবেল মহৈরোইশিংদা মতেং পাংনবা অমদি অফবা ইজুকেসন পীননবগীমক্তা, সপোরমৈনা, মোরে অমসুং তমেংলোংদা একলভ্যা মোদেল রেসিদেন্সিএল স্কুল ৩ শেমগৎলে।

৪৩. ইম্পা, চামু, মোলচাম, থিংপুইকুওল অমসুং কাংজাংদা ট্রাইবেল হেল্থ সেন্তর ৫ শেমগৎলে। মসিগী সেন্তরশিং অসিনা ২০২২দা অনাবা ৪,৩৭৬তা হেল্থকেয়র ফংহনখি।

৪৪. ২০২২-২৩গী মনুংদা, এসঃটি মহৈরোয় ৫০,৩৭৬তা এসঃটি পোষ্ট-মেট্রিক স্কোলার্সিপ নত্ত্রগা প্রি-মেট্রিক এসঃটি স্কোলার্সিপকী শেনফম লুপা কোটি ৫৪ য়েন্থোকখি।

৪৫. ট্রাইবেল ইমুংশিংদা রিলিফ এসিষ্টেন্স পীনবগীদমক্তা, ২০২২গী মনুংদা ইমুং ১০০ হেনবদা ইম্ফালদগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা সবসিদাইজ মোর্চুৱরি ভেন সার্ভিস পীখি।

৪৬. ২০২১-২২গী মনুংদা, ইকোনোমিক এণ্ড স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ওঃবিঃসি, এসঃসি অমদি মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী বেনিফিসরি ৬৭৬তা টুল কিটশিং য়েন্থোকখি অমদি স্কিল ট্রেনিং পীখি।

৪৭. ২০২২-২৩গী মনুংদা, পিঃএমঃজেঃভিঃকেঃ গী মখাদা, সদভাবনা মাণ্ডপশিং, হোষ্টেল, স্কুল ইনফ্রাষ্ট্রকচর, হেল্থকেয়র ফসিলিটি, তোইলেটনচিংবা য়াওনা লুপা কোটি ৯০.৯৩ চঙনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ১১৬ লোইশিনখি। স্কীম অসি হৌদোকখিবদগী, লুপা কোটি ৫৪৪.১৭ কী শেনফম ওইবা য়ুনিট ১৭,৪১৭ লোইশিনখি অদুগা লুপা কোটি ৬৩৯.৪৯ গী শেনফম ওইগদবা য়ুনিট ৩৮২না চৎথরি।

৪৮. প্রি-মেট্রিক, পোষ্ট-মেট্রিক অমদি মেরিট-কম-মিন্স বেজ স্কোলার্সিপ স্কীমশিংগী মখাদা, ২০২১-২২দা মাইনোরিটি মহৈরোয় ৫৭,৫২৪দা লুপা কোটি ৩৩.১১গী শেনফম ওইবা স্কোলার্সিপ পীখি। ওঃবিঃসি অমসুং এসঃসি মহৈরোয় ১০,৯৯২দসু লুপা কোটি ৬.৭৭কী শেনফম ওইবা প্রি-মেট্রিক অমসুং পোষ্ট-মেট্রিক স্কোলাসির্পশিং পীখি।

*ফুদ সেক্যুরিটি*

৪৯. নেস্নেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা, বেনিফিসরিশিং অসি পব্লিক পোর্টেলদা মপুং ফানা দিজিতাইজ তৌরে অমদি রাজ্য অসিদা লৈরিবা ফেয়র প্রাইস সোপশিংসু ওটোমেটেদ তৌরে। রাসন কার্দ খুদিংমক আধারগা শম্নহল্লে।

৫০. প্রাইম মিনিষ্টর গরিব কল্যান অন্না যোজনাগী মখাদা, লাইরবশিংনা থেংনরিবা অৰাবশিং অসি হন্থহন্নবা, ২০২২গী দিসেম্বর ফাওবদা এনঃএফঃএসঃএ গী বেনিফিসরি খুদিংমক্তা থা অমদা মীওই অমদা অহেনবা চেঙ কিলো ৫ লেম্না ফংহনখি।

৫১. উজ্বালা ১.০ অমদি উজ্বালা ২.০গী মখাদা বেনিফিসরি ২,০০,৬৫৮দা লেম্না এলঃপিঃজি কন্নেক্সন পীদুনা কান্নবা ফংহনখি।

*ইজুকেসন*

৫২. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা ইজুকেসন সেক্তরবু ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং লৌখৎলি।

৫৩. মিসন এনঃএঃএঃসি ২.৫+ কী মখাদা, নেস্নেল এসেসমেন্ট এণ্ড এক্রিদিটেসন কাউন্সিলনা সরকারগী কলেজ ২০ এক্রিদিটেসন তৌবা ঙমখ্রে।

৫৪. সিভিল সার্ভেন্ট এসপিরেন্টশিংবু মতেং পাংনবা, চিফ মিনিষ্টর্স স্কোলার্সিপ স্কীম ফোর সিভিল সার্ভিস কোচিংগী মখাদা এসপিরেন্ট ২০০গী ফ্রি ফিজিকেল ক্লাসরুম কোচিং পাঙথোকপা হৌখ্রে।

৫৫. চিফ মিনিষ্টর্স কলেজ মহৈরোয় ই-সপ্পোর্ট স্কীমগী মখাদা, তোঙান তোঙানবা ই-লর্নিং প্লেটফোর্মশিং একসেস তৌবা ঙমহন্নবগীদমক্তা লাইরবা ইমুংদগী লাকপা মেরিটোরিয়স মহৈরোয়শিংদা স্মার্ট ফোন ২০০০ য়েন্থোকখ্রে।

৫৬. মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিদা 'বেম্বু ইন্নোভেসন এণ্ড ইনক্যুবেসন সেন্তর' হাংদোকখ্রে। মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি অসি য়ুনাইটেদ নেসন্স একাদেমিক ইমপেক্ট অমসুং ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটিজ এণ্ড ইন্সটিট্যুসন্স নেটৱার্ক ফোর দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সনগী মেম্বরসু ওইরে।

৫৭. মহৈরোয়শিংবু ওটোমোবাইল সেক্তরগী খ্বাইদগী অনৌবা জ্ঞান ফংহন্নবা অমদি এমপ্লোইমেন্ট ওপরচুনিটিশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, টোয়োটা টেক্নিকেল ইজুকেসন প্রোগ্রাম লিংখৎনবা তাকয়েলপাৎতা লৈবা গভর্নমেন্ট পোলিটেক্নিকনা টোয়োটা কির্লোস্করগা এমঃওঃইউ সহি তৌনখ্রে।

৫৮. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, রুসাগী মখাদা লুপা কোটি ৫৫ চঙনা শেমগৎপা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে।

৫৯. 'স্কুল ফগৎহনসি মিসন' গী মখাদা, হাই অমদি হায়র সেকেণ্ডরি স্কুল ১২০ কোনশিল্লে। ফেজ-ৱান দা একাদেমিক সেসন ২০১৯দগী ২০২২ ফাওবদা মহৈরোয় মিং চল্লকপগী চাং অসি চাদা ৩০ হেনগৎখি। ফেজ-টু দা চাদা ৫.৯৮ অমগা হেনগৎপা থেংনখি। অতোপ্পা অৱাৎপশিং মেনশিন্নবা, দুৱেল দেস্ক অমদি বেঞ্চ কী জুরা ১০,৬৩০ পীথখি, অনৌবা ক্লাসরুম ১০৬ শেমগৎখি, অনৌবা তোইলেট ৯৮ শাখি, সাইন্স লেবোরেটরি অমদি লাইব্রেরি ৩২ শেমগৎখি অমদি ক্লাসরুম ৬৮৭না শেমজিনখি।

৬০. ষ্টেট-ৱাইদ ইন্টিগ্রেটেদ ইজুকেসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেম এণ্ড দিজিটেল লর্নিং প্লেটফোর্মগী মখাদা সরকারগী স্কুল ৩১০গী মহৈরোয়শিংদা দিজিটেল লর্নিংগী মচাক হান্ননা হাপ্লবা টেব্লেট ৫,০০০ য়েন্থোকখি।

৬১. দিষ্ট্রিক্ট লোইনমক কোনশিন্দুনা স্কুল ২৫৩দা ষ্টার ইজুকেসন প্রোগ্রামসু পায়খৎলি। মসিগী মখাদা, তোঙান তোঙানবা দিজিটেল পোর্টেলশিংদা ফংলিবা রিসোর্সশিং অসিবু প্রাইমরি ওঝাশিংনা শীজিন্নবা ঙমহন্নবা প্রাইমরি ওঝাশিংদা টেব্লেট ১০,৮৭৬ য়েন্থোকখি।

৬২. ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী সাইন্স, মেঠমেটিক্স অমদি সোসিএল সাইন্সকী টেক্সবুকশিংদা ঐহাক্কী সরকার অসিনা লোকেল কন্টেন্টশিং হেন্না য়াওহনখ্রে। ক্লাস আইটকী সোসিএল সাইন্সকী টেক্সবুক্তা মাউন্ট মণিপুরগী মরমদা রাইট-অপ অমসু হাপচিল্লে।

*পৱার সেক্তর*

৬৩. ঐহাক্কী সরকার অসিনা টাউন এরিয়াশিংদা চয়োল চুপ্পা নোংমদা পূং ২৪ চুপ্পা অমদি অতোপ্পা মফমশিংদনা নোংমদা পূং ২৩ রোম মৈ ফংহল্লি। মরুওইবা মফমশিং ঙান্না থম্লবগীদক্তা, রাজ্য শীনবা থুংনা হাই মাষ্ট ৭৪ খিনখ্রে। এলঃইঃদি ষ্ট্রিট লাইট ৯২৯ কন্মিসন তৌখ্রে।

৬৪. হৌজিক ফাওবদা কঞ্জুমর লাখ ৪.৪১গী প্রিপেদ ইনর্জি মিটর পানখ্রে। শেনবা চহী ২০২২-২৩গী এঃটিঃ এণ্ড সিঃ লোস অসি চাদা ২০ ওইরি। মসি শেনবা চহী ২০২৪-২৫ তা এঃবি কেবল পান্দুনা অমদি প্রি-পেদ মিটর মপূং ফানা পান্দুনা চাদা ১৫দা হন্থনবা পান্দম থল্লি।

৬৫. পৱার সপ্লাইগী ক্বালিটি, রিলাইএবিলিটি অমদি এফোর্দেবিলিটি অসি ফগৎহন্নবা, আরঃইঃসি লিমিটেদনা লুপা কোটি ৩৯৮.৬৭গী গ্রোস বজেটরি সপ্পোর্টকা লোয়ননা লুপা কোটি ৫২০.৬১গী শেনফম চঙনা রিভাম্প দিষ্ট্রিব্যুসন সেক্তর স্কীম, মণিপুর পায়খৎনবা সেঙ্কসন তৌরকখ্রে।

৬৬. হৌখিবা চহীদা, ইবুধৌ মার্জিং, লৈমপোকপম, হিয়াংথাং, খাংঙবোক মোইরাংপল্লি অমসুং হৈরোক্তা কেভি ৩৩ / ১১গী সবষ্টেসনশিং থবক তৌবা হৌহনখ্রে। অহেনবা কেপাসিটিগা লোয়ননা হান্না লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কেভি ১৩২ /৩৩ অমসুং ৩৩ / ১১ সবষ্টেসনশিং শেমজিনখ্রে। হৌজিক্লা, কেভি ৩৩ / ১১গী অনৌবা সবষ্টেসন ২১ অমদি কেভি ১৩২/৩৩গী অনৌবা সবষ্টেসন ২ শেমগপগী থবক চত্থরি। অশোয় অঙাম য়াওদনা অমদি চেকশিন্না গ্রিদ ওপরেসন তৌনবা অমদি রিএল টাইমদা পৱার মেনেজমেন্ট তৌনবগীদমক, কিলোমিটর ২০০০ রোম শাংবা ফাইবর ওপতিক্স কেবল রাজ্য শীনবা থুংনা পাক শন্না ফুন্বগী থবক চত্থরি। ৯শুবা ইন্টরনেস্নেল কনফরেন্স ওন পৱার সিষ্টেমস–২০২১দা ইমরজিং ষ্টেট লোদ দিসপেটস সেন্তর্স কেটাগোরিগী মখাদা, ষ্টেট লোদ দিসপেটস সেন্তর, মণিপুর অসি ইহান হানবা 'এলঃদিঃ সি এক্সেলেন্স এৱার্দ' পীরকখি।

৬৭. ইশাগী কোন্ননবা পৱার পুথোকপা ঙম্নবা, মেগাৱাট ৩০৬কী কেপাসিটি ওইগদবা হাইদ্রো প্রোজেক্ট ২৯ শেম্নবা দিঃপিঃআর শেল্লি।

৬৮. 'প্রধান মন্ত্রি কিষাণ উর্জা সুরক্ষা ইভম উত্থান মহাভিবান' স্কীমগী ফোজ–ৱানগী মখাদা ষ্টেন্দঅলোন সোলর ৱাটর পম্পিং সিষ্টেম সেট ২৮ খিনখ্রে। অতোপ্পা সিষ্টেম ১২২ অমনা ফেজ টুদা পানখৎকনি।

৬৯. ঐহাক্কী লৈঙাক অসিনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ফাংগ্রে অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী চাৱাংকিনিংদা মথংশিংনা মেগাৱাট ৩.৫ অমদি মেগাৱাট ২.৫ কি কেপাসিটি লৈবা ৱিন্দ–সোলর হাইব্রিদ পৱার প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা হৌরে।

৭০. চহীদা কিলোৱাটআৱর লাখ ৬০ পুথোকপা কিলোৱাটপৱার ৫,৫০৫গী অপূনবা কেপাসিটি লৈবা ওফগ্রিদ কন্নেক্তেদ রুফটোপ সোলর পৱার প্লান্টশিং কঞ্জুমর ৮০৩গী য়ূমশিংদা পানখৎখ্রে।

*এগ্রিকলচর অমদি মরী লৈনবা থবকশিং অমসুং নেচরেল রিসোর্সশিং*

৭১. প্রধান মন্ত্রি কিষাণ সম্মান নিধি যোজনাগী মখাদা, লৌমী লাখ ৬.২০ এনরোল তৌরে অমসুং লুপা কোটি ৬১৪.১৯ গী শেনফম ওইগদবা ইনকম সপ্পোর্টশিং লৌমীশিংদা পীথখ্রে।

৭২. আরঃকেঃভিঃৱাই–রফটার গী মখাদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্টকী থবকশিং পায়খৎখ্রে। ৱাংগোই অমসুং চান্দেলদা লৌমীশিংগী ত্রেনিং হোলশিং শাগৎপগী থবক চত্থরি। এগ্রো মার্কেট

সেদ ৪ শেমগৎখ্রে। ভেল্যু এদিসন লিঙ্ক প্রদক্সন প্রোজেক্টশিংগী মখাদা, লৌমী ৩,৫৭০দা লৌউ-শিংউগী খূৎশূ-খূৎলাই লৈনবা অমদি হয়িং খোই লোইনবগী লৌমী গ্রুপ ৭তা শেলগী মতেং পীখ্রে। লম হেক্তর ৩৪০দা গেহু অমসুং বার্লি থাদুনা দেমোন্সট্রেসন উৎনবা অমদি লম হেক্তর ৮০০দা ইন্টিগ্রেটেদ নিউট্রিএন্ট মেনেজমেন্ট এণ্ড ইন্টিগ্রেদেট পেষ্ট মেনেজমেন্টকী দেমোন্সট্রেসন পাঙথোক্লবা লৌমী ৪,৮৫০দা শেলগী তেংবাং পীখ্রে। লম হেক্তর ২,৪২৪ কোনবা লৌফমশিংদা মেট্রিক টন ১৪৫.৪৪গী ঐচঃৱাইঃভি পেদি সিদ য়েন্থোকখ্রে। ২০২২গী খরিফ মতমদা নোংগী চাং ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংনা মায়োক্লখিবা অৱাবশিং অদু য়েংলগা, অতোপ্পা মহৈ-মরোং লোক্লবা প্লান অমা ওইনা লম হেক্তর ৬৫০ অমদি লম হেক্তর ৫.৪৩৪ দা হুন্ননবা মথংশিংনা হৱাইথরাক মরু মেট্রিক টন ৩৯ অমদি সার্টিফাইদ তৌরবা হঙ্গাম মরু মেট্রিক টন ৫৪.৩৪ লেম্না য়েন্থোকখ্রে।

৭৩. পিএম কৃষি সিঞ্চায়ি যোজনা - পর দ্রোপ মোর ক্রোপ কী মখাদা, ৱাটর পম্পসেট য়াওবা স্প্রিঙ্কলর সেট ৫,০৪৩ লৈননবা স্মোল এণ্ড মার্জিনেল ফার্মর ইন্দিভিজুএল ৫,০৪৩দা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফরগী খুত্থাংদা শেলগী মতেং পীখ্রে। লম হেক্তর ৩৩৮দা ইরিগেসন পোটেন্সিএল পীবা ঙম্বা ৱাটর হার্ভেষ্টিং ষ্ট্রকচর ১৬১, চেক দাম ৪৯ অমদি ইরিগেসন চেন্নেল ১০ শাননবা লৌমী ২২০দা শেলগী মতেং পীখ্রে।

৭৪. ৭,৫০০ তার্গেট তৌবগী মনুংদা চাদা ৮৩ সোইল হেল্থ কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে অমদি সোইল টেষ্টিং তৌবগী রিকমেন্দেসনগী মতুং ইন্না লম হেক্তর ১৫,০০০ পাক চাওবদা মাইক্রো নিউট্রিএন্টগী প্রমোসন তৌখ্রে।

৭৫. পিএম ফসল বিমা যোজনা অসি মশক খঙদোক্লবা মহৈ-মরোং, ফৌ অমদি হঙ্গামশিং য়াওনা রাজ্য অসিগী সব-দিভিজন খুদিংমক্তা শন্দোকখ্রে।

৭৬. সব মিসন ওন এগ্রিকলচর মেকানাইজেসনগী মখাদা, ইং ২০১৫-১৬তগী ২০২১গী দিসেম্বর ফাওবদা লৌফমশিংদা ফার্ম পৱার লৈবগী রেসিও অসি চাদা ২০৮.৩৩দা হেনগৎখ্রে।

৭৭. দিঃবিঃটি গী খুত্থাংদা ওর্গানিক ফার্মর ৭,০০০তা ওন-ফার্ম ইনপুট প্রদক্সন ইনফ্রাষ্টকচরশিং অমসুং ওফ-ফার্ম ইনপুটস শেমগৎনবা মিসন ওর্গানিক ভেল্যু চেন দিভেলপমেন্টকী মখাদা লুপা কোটি ৭.৮৭ পীথখি।

৭৮. নেম্নেল মিসন ওন ইদিবল ওইল এণ্ড ওইল পাল্মগী মখাদা, ২০২১-২২গী মনুংদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা মণিপুরনা লম হেক্তর ২৪ থাখ্রে। প্রোজেক্ট পার্টনর ওইনা গোদ্রেজ এগ্রোভেট লিমিটেদকা এমঃওঃইউ সহী তৌনখ্রে। লৌমীশিংদা রিম্যুনরেটিভ রির্টন অসি শুকশোয় শোয়দনা ফংহন্নবগীদমক্তা চৎনবা য়াবা গেপ পেমেন্ট মেগানিজম অমা হৌদোকখ্রে অমদি লৌমীশিংগী অপান্বশিং অদু ঙাক্না থম্নবগীদমক্তা ভারত সরকারগা দরকার লৈবা এমঃওঃইউ সহী তৌনখ্রে।

৭৯. 'ৱার ওন দ্রগ ২.০' খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা, মগুণ লৈবা হোর্টিকলচরগী মহৈ মরোংশিং থাহন্দুনা অতোপ্পা লাইভলিহুদকী খুদোংচাবা পীখ্রে। মমাঙগী চহীদা, ওর্গানিক ফার্মিংগী মনুংদা পোপি থাবা লৌমী ৩৫৫ কোনশিনখি। ২০২১-২২গী মনুংদা, 'কলটিভেসন ওফ হোর্টিকলচর ক্রোপস এজ এন অল্টরনেটিভ টু পোপি কলটিভেসন ইন হিল এরিয়াজ' গী মখাদা লৌমী ১০০দা কান্নবা ফংহন্দুনা, তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লম হেক্তর ২০-২০গী লৌফমদা মোদেল হোর্টিকলচর ফার্ম ৫ শেমগৎখ্রে। ২০২২-২৩গী মনুংদা, মশানা পোপি থাররোই হায়না লেপচখ্রবা লৌমীশিংদা হাইব্রিদ ৱিন্টর ভেজিটেবলগী মরূগা লোয়ননা হাই ভেল্যু লৈবা মহৈ-মরোংশিং য়েন্থোকখি অমদি মসিনা লম একর ৯৮৫ কোন্দুনা লৌমী ৬০০তা কান্নবা পীখি।

৮০. লৌমী ৩৭,৯০০ য়াওবা লম হেক্তর ৩৭,৯০০ কোনবা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পনি ৬৫ শেমখি। 'ওর্গানিক মণিপুর' হায়বা ব্রাণ্ড অসিগী মখাদা হাই ভেল্যু লৈবা ওর্গানিক ওইবা মহৈ-মরোং তরামাথোই পুথোক্লবা প্রমোট তৌখি। এক্সপোর্ট তৌবা য়াবা মমল কাবা অমদি জিআই টেগ তৌরবা মহৈ-মরোংশিংদা কন্না হোৎনখিবা অদু মহৈ য়াল্লে। ওর্গানিক কিহোম অমদি অকংবা উ-মোরোক অসি মথংশিংনা দুবাই অমদি ইউঃএসঃ তা এক্সপোর্ট তৌখি।

৮১. জৈভিক ইন্দিয়া এৱার্দ, ২০২২গী গভর্নমেন্ট কেটাগোরিদা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সিবু অনীশুবা মনা পীরকখি। মসিগী মথক্তা, মোমানা প্রমোট তৌবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চাকহাও পোইরৈতোন ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পনিবুসু এফপিসি কেটাগোরিদা অনীশুবা মনা পীরকখি।

৮২. ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাংমোংদা মেট্রিক টন ২০০গী কোল্ড ষ্টোরেজ অমসুং নিলকুথিগী ফুদ পার্কতা ফ্রুট প্রিজার্ভেসন ফেক্তরি (মেগফ্রুট) শঙ্গাখিবগা লোয়ননা লৌরোক মতুংদা লৌমীশিংনা মহৈ-মরোং মাঙ-তাকপগী সমস্যা অদু হন্থহনবা ঙম্লগনি।

৮৩. ২০২২-২৩গী মনুংদা, উমংগী চাং হেনগৎহন্নবা, উমং মাঙখিবা হঞ্জিলহন্নবা অমদি উমংগী পোত্থোকশিংগী তঙাইফদবশিং অদু মপূং ফানা ফংহনবা ঙম্নবগীদমক্তা উমংগী লম হেক্তর ৪,২৩২দা পান্থীশিং থাখি। ২০২২গী ৱন মহোৎসব ফেষ্টিভেলগী মনুংদা, রাজ্য শীনবা থুংনা উ-চারা লাখ ৭৫ হেন্না থাখি অমসুং মীয়ামদা চারা লাখ ১৪.৩৫ রোম লেম্না য়েন্থোকখি।

৮৪. ফোরেষ্ট অমদি রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অনীগী রেকোর্দ অদু চুশিন্ননবা, রিজর্ব ফোরেষ্ট ১১ অমদি প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট ৭ কী জোইন্ট সর্ভে লোইশিনখ্রে।

৮৫. হৌখিবা চহীদা, তোঙান তোঙানবা রিজর্ব অমদি প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্টকী মফমশিং লম খোপচিল্লম্বা এনক্রোচর ৭৭ ইভিক্সন তৌখি।

৮৬. অয়াবা য়াওদনা অমদি আইন কায়না উ পুথোক-পুশিন তৌবা থিংনবা, আইন কায়না লম খোপচিনবা চেক তৌনবা অমদি অতোপ্পা ফোরেষ্টকী পোত্থোকশিং য়েংশিন্নবা, নোংমৈ ১০০ লৈখ্রে অমদি পার্সনেল ৪৯ ত্রেন তৌখ্রে।

৮৭. ইকোলোজিকেল ইন্বেলেন্স লৈরিবসি হঞ্জিলহন্নবা অমদি ইকোসিষ্টেম সার্ভিসশিংগী ফ্লো অসি লেঙদনা থম্নবা মণিপুরদা ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট তৌবা অসি য়াম্না মরু ওই। এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট অমা ওইনা সিংদা, ইম্ফাল অমদি থৌবাল তুরেলশিংগী ৱাটরসেদ ৩দা 'কম্যুনিটি বেজ সষ্টেনেবল ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট ফোর ৱাটর রিসোর্স কনজর্ভেসন' পায়খৎখ্রে।

৮৮. উত্রা পাৎ, জাইমেং অমদি ৱাইথৌ-ফুমনোম পাৎ হায়রিবা ৱাটর বোদি ৩ অসিগী ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লানগী উরেপ উয়ুং তমখ্রে। অন্দ্রোগী নুংকোৎ সার্বে মচেংপাৎকী ইকোসিষ্টেম সার্ভিস ফগৎহন্নবা শঙ্গাখ্রে। য়ারলপাৎ ৱেটলেণ্ড কনজার্ব তৌনবা থবক চত্থরি। কাংপোকপীদগী সেকমাই ফাওবগী ইম্ফাল তুরেলগী মরিল তেংবা চত্থরি অমদি ইম্ফালদা লৈবা নম্বুল তরেল ফগৎহন্নবা থবক চত্থরি।

৮৯. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ঙা পুথোকপা হেনগৎহন্নবা, পিএম মৎস্য সম্পাদা যোজনাগী মখাদা, অনৌবা পুখ্রি হেক্তর ১৪২, কেজগী য়ুনিট ১০০, বাইও ফ্লোক য়ুনিট ২০, হেটচরি য়ুনিট ৮ অমদি হেক্তর ২২০গী ইনপুট সপোর্টশিং ২০২২-২৩দা শেমগৎখ্রে অমদি মসিনা ঙামী ১,৫৬৩দা কান্নবা পীখ্রে। গ্রুপ এক্সিদেন্টেল ইন্সুরেন্স স্কীমগী মখাদা, ঙামী ২,৩৮৩, ইং ২০২২-২৩দা ইন্সুরেন্স য়াওহল্লে।

৯০. লোক্তাক লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা, কেজ কলচর বেত্তরি ৪৭ অমদ পেন কলচর ৩৬ শেমগৎখ্রে।

৯১. নেচরেল ফার্মিংগী মখাদা ইহান হানবা ওইনা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইন্দিজিনস কাউ মেলা পাঙথোকখি। অসিগুম্না ষণগী মেলা অসি মতুংদসু পাঙথোকখিগনি।

৯২. চহী অসিদা, ভেটিরিনরি হোস্পিটাল ২৫ অমসুং ভেটিরিনরি দিস্পেন্সরি ৫৮ শেমজিনখি, নৌনা শাখি। আরআইদিএপ অমদি নবার্দকী মখাদা অহেনবা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল ৮ অমসু শাখি।

৯৩. শা-ষণ অমদি পোলট্রিগী মচিঞ্জাক পুথোক্নবা, পূংদা টন ২দগী ৩ ফাওবা পুথোকপা ঙম্না ফীদ মিক্সিং প্লান্ট ২ আরকেভিৱাই গী মখাদা খুম্নোংদা অমদি ঐচএদিপিগী মখাদা নোনেদা লিংখৎখ্রে।

*ৱাটর রিসোর্সেস অমদি ৱাটর মেনেজমেন্ট*

৯৪. ইকাইখুম্নজরিবা স্পীকর অমদি ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ইরিগেসনগী খুদোংচাবা হেনগৎহন্নবা, মেজর অমদি মেদিয়ম ইরিগেসন প্রোজক্টে ৮ পায়খৎলে। মসিগী মনুংদা লুপা কোটি ১,০১৩ চঙদুনা লম হেক্তর ৮২,৭৫৩দা ইরিগেসনগী পোটেন্সিএল ফগৎহন্নবা অমসুং নোংমদা মিলিয়ন গেলন ৯গী ৱাটর সপ্লাই পীবা ঙম্নবা অমদি মেগাৱাট ২.২৫কী মৈ পীবা ঙম্নবা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ৭তি লোইশিল্লে অদুগা প্রোজেক্ট ১না শরুক খরা লোইরে।

৯৫. এক্সটেন্সন রিনোভেসন এণ্ড মোদর্নাইজেসন স্কীমগী মখাদা, ঐহাক্কী সরকারনা লোক্তাক লিফ ইরিগেসন প্রোজেক্টপু লুপা কোটি ৮১.৫৯ চঙনা মশাগী হান্ননা লম হেক্তর ১৭,৪০০ ইরিগেসন পীবগী শক্তি অদু হঞ্জিলহন্নবা রিনোভেসন অমদি মোর্দনাইজেসনগী থবক পায়খৎলে।

৯৬. দাম রিহেবিলিটেসন এণ্ড ইমপ্রুভমেন্ট প্রোজেক্ট ফেজ-টু গী মখাদা, হান্নদগী লোইশিল্লবা প্রোজেক্ট ৫ হায়বদি, সিংদা দাম, খুগা দাম, খোৌপুম দাম, ইম্ফাল বেরেজ অমদি সেকমাই বেরেজগী রিহেবিলিটেসন, ইমপ্রুভমেন্ট অমসুং কম্প্রিহেন্সিভ অমদি সস্টেনেবল দাম অমসুং বেরেজ ওইহন্নবগী থবক লুপা কোটি ৩১১ চঙনা পায়খৎলি।

৯৭. লম হেক্তর ৩৫,১৬০গী ইরিগেসন পোটেন্সিএল লৈহন্নবা, এমজিদি ১০গী ৱাটর সপ্লাই পীবা ঙম্নবা অমদি মেগাৱাট ৭.৫গী পৱার জেনেরেসন তৌনবা হৌজিক চত্থরিবা থৌবাল মল্টিপরপজ প্রোজেক্ট সেন্ট্রেল এসিষ্টেন্স ওফ একসেলেরেটেদ ইরিগেসন বেনিফিটস প্রোগ্রামগা লোয়ননা রিভাইজ তৌদুনা এপ্রুভ তৌরক্লবা লুপা কোটি ২,১০৭.৪৫ গী শেনফম চঙনা পায়খৎলি। হীরম খুদিংমক্তা প্রোজেক্ট অসি ২০২৩গী মার্চ ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

৯৮. লুপা কোটি ৪৬০.৪২৬ কী শেনফম শেঙ্কসন তৌরকখ্রবা 'ক্রিটিকেল ফ্লড কন্ট্রোল এণ্ড এন্টি ইরোজন ৱার্কস এলোং রিভর্স ইন মণিপুর রিভর বেসিন' অসি ২০২৪ ফাওবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

৯৯. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, নিউ দিভেলপমেন্ট বেঙ্কনা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টকী মখাদা অপূনবা শেনফম লুপা কোটি ৬৫০ চঙগদবা 'রিজুভিনেসন ওফ লম্ফেলপাৎ ৱাটরবোদি টু এলিভেএট অর্বান ফ্লদিং, প্রোভাইদিং সষ্টেনেবল ৱাটর সোর্সেস ফোর ইম্ফাল সিটি এণ্ড প্রমোটিং ইকো-টুরিজম' প্রোজেক্টকী এদভান্স প্রোক্যোরমেন্ট লৌনবা এপ্রুভ তৌরক্লে।

১০০. নেস্নেল হাইদ্রোলোজি প্রোজেক্টকী মখাদা, ভারত্তা ৱাটর রিসোর্সশিংগী এক্সটেন্ট, ক্কালিটি অমদি একসেসিবিলিটি ফগৎহন্নবা অমদি টার্গেট তৌরিবা ৱার্টর রিসোর্সশিংগী মেনেজমেন্ট অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংগী কেপাসিটি হেনগৎহন্নবা, দি ষ্টেট ৱার্টর ইনফোর্মেটিক্স সেন্তর ওফ মণিপুর হাংদোকখ্রে। মাঙজৌননা ঈশিং ঈচাও খঙদোক্লবা অমদি মোদেল্লিং তৌনবা হাই-টেক ইক্বিপমেন্টশিং থম্নবা 'হাইদ্রোলোজিকেল দেটা সেন্তর' শাবা লোইশিল্লে। রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৩৪দা রিএল টাইমদা সর্ফেস অমসুং গ্রাউণ্ড ৱাটর মোনিটর তৌনবা দেটা ষ্টেসন লিংখৎপগী থবক চত্থরি।

১০১. পিঃএমঃকেঃএসঃৱাইগী মখাদা সর্ফেস ইরিগেসন স্কীম ৩৭৫ অমদি ৱেল ৫৫০ শাবগী থবক অসি ২০২৩গী মার্চতা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

১০২. নবার্দ-আরআইদিএফ কী ফণ্ডিং মখাদা গ্রাউণ্ড ৱাটর ইরিগেসনগীদমক দেলিভরি চেম্বর অমদি ব্রাঞ্চ চেন্নেল ৫৫০ শাবগী থবক পায়খৎলি।

১০৩. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, ইরিগেসন প্রোজেক্টশিংগী কমাণ্ড মখাদা মহৈ মরোং পুথোকপা হেনগৎহনবদা চঙবা মরুওইবা থবকশিং পুনশিন্নবা, নেটৱার্ক ওফ ফিল্ড ইরিগেসন চেন্নেল অমদি দ্রেনেজ সিষ্টেম ফগৎহল্লে অমসুং পার্টিসিপেটরি ইরিগেসন মেনেজমেন্ট অসি ৱাটর

য়ুজর এসোসিএসনশিং শেমদুনা পায়খৎলি। থৌবাল মল্টিপরপজ প্রোজেক্ট (ফেজ–থ্রি) দা হেক্তর ১৬,৫৩৫কী মনুংদা হেক্তর ১১,২৩২ অমদি দোলাইথাবি বেরেজ প্রোজেক্টতনা হেক্তর ৫,৫০০গী মনুংদা ৩,৯২২দা কমাণ্ড এরিয়া দিভেলপমেন্ট এণ্ড ৱাটর মেনেজমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিল্লে।

***ৱাটর সপ্লাই অমদি সেনিটেসন***

১০৪. ইকাইখুম্নজরিবা মেম্বরশিং, জল জিবন মিসন্না লুপা কোটি ২,৬৩১.৯৬ চঙগনি হায়না পারদুনা মণিপুরগী খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ লাখ ৪.৫ হেনবদা তোটি ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। তোতি ঈশিং ফংহল্লবা য়ুমথোঙ অসি ২০২১গী আগষ্টতদি টার্গেট তৌখিবা অদুগী চাদা চাদা ৫.৭৪নি অমদি মসি হৌজিক চাদা ৭৫দা হেনগৎলে। য়ুমথোঙ য়ুমথোঙদা তোতি ঈশিং ফংহল্লবগী চাংদা মণিপুর অসি জাতিগী থাক্তা রেঙ্ক ১১শুবনি অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মনুংদা রেঙ্ক ১নি। রাজ্য অসিগী অপূনবা খুঙ্গং ২,৫৫৫কী মনুংদা খুঙ্গং ৪১২ অসি হর ঘর জল খুঙ্গংনি লাওথোকখ্রে।

১০৫. লুপা কোটি ১,০৫২.৪৯ চঙগদবা ইন্টিগ্রেটেদ ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট ফোর ইম্ফাল প্লান্নিং এরিয়া ফেজ–থ্রি অসি পায়খৎলি। ষ্টেট কেপিটেল ফণ্ডগী মখাদা পায়খৎপা, ইম্ফাল সিটিদা অহেনবা এমএলদি ৪৫ পীনবা চীংখৈচীং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি পায়খৎলে অমদি ত্রাইএল রন চথরি। ইম্ফাল মিউনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মফমশিংদা থক্লবা ঈশিং পীনবগী পূন্না কিলোমিটর ৩৫৬ শাংবা নেটৱার্ক অসি অমরুটকী মখাদা তিংবা লোইরে। য়ুমথোঙ ৪৪,০০০দা স্মার্ট ৱাটর মিটর পানবগী থবক অসি চথরি।

১০৬. নিউ দিভেলপমেন্ট বেঙ্ককী ফণ্ডগা লোয়ননা ইটিগ্রেটেদ সিৱরেজ সিষ্টেম ফোর ইম্ফাল সিটি ফেজ–টু অসি লুপা কোটি ১,২৫৫.৮৪ চঙনা পায়খৎলগনি। মসিগী প্রোজেক্ট অসিনা ইম্ফাল সিটিদা লৈবা আইঃএমঃসি গী ৱার্দ ১৬ কোনশিনগনি।

১০৭. স্বচ্চ ভারত মিসন (গ্রামিন)গী মখাদা, ২০২৫ ফাওবদা মণিপুর অসি ওঃদিঃএফ প্লস কী থাক য়ৌনবা পান্দম থল্লি। প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং খোমজিন্নবা অমদি খন্দোক্লবগীদমক্তা ব্লোক লেভেল প্লাষ্টিক ৱেষ্ট মেনেজেমেন্ট য়ুনিট ৩০ শেন্থা লোইরে।